**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 08-03-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) নুপী অমসুং নুপীমচাশিংদা- মান্নবা হক, মান্নবা থাক অমদি শক্তি পীবা হায়বা হিরমদা মালেমগী নুপীশিংগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে।

২) রাষ্ট্রপতিনা হায়রি- চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা খুনাইদা নুপীশিংগী থাক, শেনমিৎলোন অমদি রাজনীতিগী ওইবা শক্তি পীননবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি।

৩) সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিল থৌরাংগা লোয়ননা ঙসি ইম্ফালদগী সেনাপতি অমসুং চুরাচান্দপুর তমা চৎপা এম.এস.টিগী বস লমথাখ্রে। কাংপোকপী জিলাদা চংশিনখিবা খোঙজংদা মীওই অমা লৈখিদ্রে, কয়া অমনা অশোক অপন নংখ্রে।

৪) উখ্রুল জিলাগী (পাই খুঙ্গং মনাক্তা থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক্তা মীওই মরি শিরে, কয়া অমনা শোক্লে।

অমসুং

৫) লাক্লিবা চহি মঙা অসিদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মেদিকেল ইদুকেসনগী লমদা অনৌবা সিট লিশিং ৭৫ সরকারনা হাপচিন্নবা থৌরাং থৌরাং তৌরে হায়না কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা হায়রি।

------

ডে ঃ নুপী অমসুং নুপীমচাশিংদা- মান্নবা হক, মান্নবা থাক অমদি শক্তি পীবা হায়বা হিরমদা মালেমগী নুপীশিংগী নুমিৎ ঙসি পাঙথোক্লি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা নারি শক্তি সে বিক্সিত ভারত হায়বা হিরমদা নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়- ভারতনা মালেমদা শেনমিৎলোনদগী খ্বাহদগী মাংজিল থাবা অহুমসুবা লৈবাক অমা ওইনা চংশিল্লবা অসিদা নুপীশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ। মহাকা হায়- চাওখৎপা ভারত অমা ওইহন্নবগী মঙলান অসি মঙফাওনহন্নবা হোৎনবদা লৈবাক অসিগী নুপীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌগদবনি।

রাষ্ট্রপতিনা হায়- চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা খুনাইদা নুপীশিংগী থাক, শেনমিৎলোন অমদি রাজনীতিগী ওইবা শক্তি পীননবা সরকার অসিনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। মহাকা হায়- নুপা নুপী থোং মান্ননা চাওখৎহন্নবগী ৱাখল্লোন হেন্না চেৎশিনহন্নবা অমদি নুপীশিংনা খুনাইদা মমল নাইদনা কৎথোক্লিবশিং ইকায় খুমবা নমিৎ অসিনা লাকপদা মীয়ামা উৎফম থোকই।

গুজরাতকী নবসরিদা মালেমগী নুপীশিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা পাঙথোকপা লাখপতি দিদি সম্মেলনদা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়- নুপীশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎপগা লোয়ননা নুপীশিংবু শক্তি পীবা হায়বসি মহাক্কী সরকারগী অচেৎপা ফিরেপনি।

শ্রী মোদিনা হায়- ভারত অসি নুপীনা লুচিংবা চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইরক্লি। মসিগী মথক্তা সরকার অসিনা নুপীশিংগী য়াইফনবা অমদি মখোয়বু ইকায় খুমবা থাক্তা হিংনবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

মালেমগী নুপীশিংগী নুমিৎ লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু পাক শন্না পাঙথোকখি।

এসিলরেট এক্সন হায়বা হিরমদা নুমিৎ অসি মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন্না শিন্দুনা কৈশামপাৎ ইম্ফালদা লৈবা দি.আই.পি.আরগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা আই.পি.আর অমসুং মহুদকী দিরেক্তর ঙাঙোম উতমনা হায়- অৱাং নোংপোক লমদমগী নুপীশিংগী হক, নীংতম্বা

অমদি খুদোংচাবশিং ফংলিবা অসি লৈবাক অসিগী অতৈ নুপীশিংনা ফিদমনিঙাই ওইনবা হোৎনগদবনি। মহাকা হায়- নুপীদা শক্তি পীবা হায়বসিদা রাজ্য অসিগী নুপীশিংনা মাংজিল থাগদবনি।

ওল মণিপুর ৱার্কিং জরনেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ)না শিন্দুনা নুমিৎ অসি পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখি।

চীফ মেদিকেল ওফিসার ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা নুমিৎ অসি জিলা অসিগী পোরোমপাৎতা লৈবা সি.এম.ও ওফিসতা পাঙথোকখি।

মালেমগী নুপীশিংগী নুমিৎ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তমেংলোংনা আই.সি.দি.এস সেল, ৱান ষ্টোপ সেন্তর অমসুং দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগকা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন নোনেনা আই.সি.দি.এস সেল, ৱান ষ্টোপ সেন্তর অমসুং দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগকা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্ট অমদি আই.সি.দি.এস সেল, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবাল, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন উখ্রুল, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন সেনাপতি, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন জিরিবাম, দিষ্ট্রক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন কামজোং, দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিং, ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস গার্জিয়ান ওর্গনাইজেসন, কম্ম্যুনিতি হেলথ সেন্তর খুম্বোং, ককচিং সি.দি ব্লোক অমসুং মণিপুর ষ্টেট লাইফলিহুদ মিসনগী মখাদা লৈবা ভি.এল.এফশিং, এস. কুলা ৱিমেন্স কলেজ কোংখামপাৎ নম্বোল, ৱাখল্লোন মান্নবা অপুনবা (ৱামা) কংলৈপাক, ৱিমেন্স ৱিং ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনচিংবনা মালেমগী নুপীশিংগী নুমিৎ পাঙথোকখি। নুমিৎ অসি চুরাচান্দপুর জিলাদা লৈবা রিলিফ কেম্প অনিদসু পাঙথোকখি। এক্সন এদনা রুরেল ৱিমেন্স অপলিমেন্ট সোসাইতিনা শিন্দুনা নুমিৎ অসি পাঙথোকখি। মণিপুর প্রদেশ মহিলা কংগ্রেস কমিতিনা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা শকাইরবী নুপীশিংদা খুদোল পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

বেতি ককচিং (এল)ঃ বেতি বচাও, বেতি পরাও স্কিম চহি তরা মপুং ফারকপা থৌরম দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনা শিন্দুনা নুমিৎ ৪৫ নি চুপা চথ্থরকপা থৌরম ঙসি লোইশিনখ্রে। তুংদা, থৌরম অসিগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা রচনা ইবা চাংদমবদা মকোক মথং তাখ্রবা মহৈরোইশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকখি।

বেতি উখ্রুল (এল)ঃ বেতি বচাও, বেতি পরাও স্কিম চহি তরা মপুং ফারকপা অমসুং মালেমগী নুপীশিংগী নুমিৎ থৌরম উখ্রুল মিনি সেক্রেটরিয়েটকী দি.আর.দি.এ হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন উখ্রুলনা মহিলা পুলিস উখ্রুল অমসুং সোয়ম প্রদক্স উখ্রুলনা নুপীশিংগী য়াইফনবা লৌরিবা থৌদাংবু থাগৎপা ফোংদোকপগী লোয়ননা মনা পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

বেতি চান্দেল (এল)ঃ বেতি বচাও, বেতি পরাও স্কিম চহি তরা মপুং ফারকপগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চান্দেল, আই.সি.দি.এস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হব ফোর ইম্পৱারমেন্ট ওফ ৱিমেন চান্দেলনা স্কিম অসিগা মরী লৈননা চয়োল অমা চথ্থরকপা থৌরম দি.সি. কমপ্লেক্স চান্দেলগী মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ঈ (এল)ঃ মালেমগী নুপীশিংগী নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা লাইফ সেভর মণিপুর, জি.পি. ৱিমেন কলেজগী এন.সি.সি কেদেট অমদি এন.এস.এস য়ুনিত অমসুং রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রান্সফ্যুজন মেদিসিনগা পুন্না খুৎশমদুনা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা ঙসি জি.পি. ৱিমেন কলেজগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। পুন্না মীওই ২৫ না ঈ দান তৌখি।

বস (এল)ঃ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিল থৌরাংগা লোয়ননা ঙসি ইম্ফালদগী সেনাপতি অমসুং ইম্ফালদগী চুরাচান্দপুর তমা চৎপা এম.এস.টিগী বস ঙসি ইম্ফাল ইয়ারপোর্টতগী লমথাখি।

ইম্ফালদগী সেনাপতি তমা অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা চৎখিবা বস অদু কাংপোকপী জিলাগী গামগীফাই অমদি কৈথেলমানবী মিলিটরি কোলোনি মনাক্তা পনদুনা লৈখি। তুংদা বস অদু সেনাপতি জিলাগীদমক কৈথেলমানবী থাদোকখি।

ঐখোয়গী কাংপোকপী পাউমী গুগুন সিংসিৎনা হায়- গামগীফাইদা মীয়ামগা সেক্যুরিতি ফোর্সকা মুকরবা মতুং বস অদুগী মখা তাবা খোঙচৎতা মীয়াম থোরক্তুনা কৈথেলমানবীদা মখা তানা থিংখি। নেসনেল হাইৱে-টুদা গাড়ি চৎপা য়ারোই হায়না মীয়াম থোরক্তুনা লম্বীদা তয়ার মৈ থাখি অমদি সেক্যুরিতি ফোর্সকী গাড়ি অমা মৈ থাদুনা অমাং অতা থোকহনখি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা মীয়াম তানখায়নবা হোৎনবদা তিয়ার গ্যাস সেল কয়ামরুম কাপখি। থৌদোক অদুদা কৈথেলমানবীদগী লালগৌথাং সিংসিৎ কৌবা মীওই অমা শোক্লবা মতুং লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদবগা লোয়ননা মীওই কয়া অশোক অপন নংলে। অশোকপশিং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা লায়কন্নরি।

ইম্ফালদগী চুরাচান্দপুর চৎখিবা এম.এস.টি বস পেসেঞ্জর অমত্তা য়াওদনা জিলা অদুগী মিনি সেক্রেটরিয়েটতা থুংখ্রে। ঐখোয়গী চুরাচান্দপুর পাউমী ফ্রান্সিস সোঙাতেনা হায়- গ্যাস সিলিন্দর পুবা গাড়ি মরি অমসুং ওইল টেঙ্কর গাডি অহুম অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা চুরাচান্দপুরদা ঙসি অয়ুক পুং ১১ অদুৱাইদা থুংলখি। গাড়িশিং অদু অয়ুক পুং ১০ তাবা অদুৱাইদা বিষ্ণুপুর য়ৌরবা মতুংদা অয়ুক পুং ১০ মখায় অদুৱাইদা চুরাচান্দপুর অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাগী ঙমখৈ ওইরিবা কংভাই লানখি।

অমরোমদা, ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন (ফোক্স) না শিনদুনা মীওই কয়া ইম্ফালদগী সেনাপতি ফাওবা শান্তিগী খোঙচৎ চৎকনি হায়দুনা ইম্ফালগী কবো লৈকাইদা লৈবা লুপ অসিগী টেম্পরেরি ওফিসতগী বেন্নর পায়দুনা থোরকখি। অদুবু  সেক্যুরিতিনা মরী লৈনবা ওথোরিতিদগী অয়াবা য়াওদনা খোঙচৎ চৎপা য়ারোই হায়দুনা মীয়াম অদু চিংমৈরোংদা লৈবা মাও কৈথেল মপাদা থিংখি।

এক্সিদেন্ট (এল)ঃ উখ্রুল জিলাগী চিঙাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা পোই খুঙ্গং মনাক্তা থোকখিবা লম্বীগী লাইবক থীবা থৌদোক অমদা নুপা অনি য়াওনা মীওই মরি শিরে। থৌদোক অদুদা মীওই ৬ অশোক অপন নংখি। থৌদোক অদু গাড়ি অদুনা পোই খুলদগী লোংপী তমা লাকপগী লম্বীদা লোকখাদা তাশিনবদগী থোকখিবনি। অশোকপশিং মনাক নকপা হোস্পিতালশিংদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি।

নোনে (এল)ঃ নোনে জিলাগী লুবাংলোং ভিলেজদা হিংশাগী থৌদোকশিং থোরকপা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈবদগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা থিংনবা বি.এন.এস.এসকী সেক্সন ১৬৩ গী মখাদা হয়েংদগী অথিংবা থমখ্রে। অথিংবা অসিগী মখাদা মীওই মঙা নত্রগা মসিদগী হেন্না পুনবা অমদি মী শোকপা য়াবা খুৎশু খুৎলায়নচিংবা পুদুনা চৎপা য়ারোই হায়রি।

মেলা (এল)ঃ দাইরেক্তোরেট ওফ হেন্দলুমস এন্দ টেক্সতাইলসনা শিন্দুনা হট করঘা মেলা (ষ্টেট হেন্দলুম এক্সপো) থা অসিগী ১৫ দগী ২৮ ফাওবা ইম্ফাল ইষ্টকী নিলাকুথিদা লৈবা অরবান হটতা পাঙথোক্লগনি। মেলা অসিদা তোঙান তোঙানবা হেন্দলুম, হেন্দিক্রাফ, কে.ভি.আই.সি অমসুং লিমোনগী পোথোক পুথোকপশিং য়াওনা পুন্না ষ্টোল ৬০ হাংগনি।

হোমগার্দ (এল)ঃ রাজ্যগী হোমগার্দ পার্সোনেলশিংগী সেনিয়ারিতি লিষ্ট অমসুং প্রমোসন গাইদলাইন শেমবা কোর্টনা পীখিবা রাই ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোক্তনা লৈরিবা অসি লাইবক থিবনি হায়না মণিপুর হোমগার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ৱাই. মঙ্গিনা ফোংদোকখ্রে।

ৱাফম অসি লুৱাংশংবমদা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা হোমগার্দ পার্সোনেল অমদা এসোসিয়েসন অসিবু নেপালগী দলিত সাহিত্য একাদমিনা এসিয়ান এক্সিলেন্স এৱার্দ পীরকখিবা অদুবু তরামা

ওকপগী থৌরমদা ফোংদোকখি। থৌরম অদুদা শ্রী মঙ্গিনা মখা তানা হায়- হাই কোর্টনা তাখিবা রাই অদুবু থবক্তা ওন্থোক্তবগী মায়োক্তা কন্টেম্প কেস অনি হাই কোর্ট ওফ মণিপুরদা থাংগৎখ্রে। লোয়ননা কোর্টনসু এপ্রিল ২৮ ফাওবগী মনুংদা মরী লৈনবশিংনা পাউখুম পীরকবা খঙহনখ্রে।

মেদিকেল ঃ লাক্লিবা চহি মঙা অসিদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মেদিকেল ইদুকেসনগী লমদা অনৌবা সিট লিশিং ৭৫ সরকারনা হাপচিন্নবা থৌরাং থৌরাং তৌরে হায়না কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা হায়রি।

নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপ্পমদা পাঙথোকপা ইন্তরনেসনেল সিম্পোজিয়ম ওন হেলথ টেকোলোজি এসেসমেন্ট (ইষ্টা) ২০২৫ হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- ইং ২০১৪ দগী হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা মেদিকেল কলেজ মশিং চাদা ১০১ হেনগৎলে। সেকেন্দরি অমসুং টরসিয়ারি হেলথ কেয়ার সিষ্টেম মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা পান্দমদা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস) ২২ শঙ্গাখ্রে। নর্সশিং, পেরা মেদিক্স অমসুং ফ্রন্টলাইন ৱার্করশিং ত্রেনিং পীদুনা হকশেল লম হেন্না পাকথোক চাউথোকবা সরকারনা থৌরাং তৌরি।

আয়ুসমান ভারত প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা য়োজনা স্কিম মায় পাকপগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোক্লদুনা মন্ত্রিনা হায়- মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা হেলথ ইন্সুরেন্স স্কিম অসিনা ইমুং অমদা অনা লায়েংগীদমক চহিদা লুপা লাখ ৫-৫ গী খুদোংচাবা পীরি। স্কিম অসিনা লৈবাক অসিগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ৪০ খুদোংচাবা ফংলি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা মন্ত্রিনা ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিছার্স (আই.সি.এম.আর), হেলথ টেকেলোজি এসেসমেন্ট (ঐচ.টি.এ), টেক কোম্পেদিয়ম অমসুং পেটেন্ট মিত্র থৌরাং হৌদোকখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেট (এল)ঃ রেজ নাগামপালনা ১২ শুবা টি টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ৱিন্নর ওইরে। ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা রেজ নাগামপালনা নপসা খাইস্ফালবু রন ১৯ দা থোইদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

মরিশুবা এম.এন.সি.এ. সেনিয়ার ৱিমেন্স ৱান ডে ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি সেদোক গ্রাউন্দ কোংবা ধোবি লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচতা এ.কে.এস.দি.ও খাঙবোকা সেদো থাংমৈবন্দবু রন ৮১ দা থোইখ্রে।

অনিসুবর এম.এন.সি.এ. অন্দর ত্বেন্তি থ্রি হাওবম বিরমঙ্গোল সিংহ মেমোরিয়েল ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা অল অমিন লিলোংনা কে.এ.এস.সি খোমিদোকপু রন ৫৩ দা থোইখ্রে।

৯ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু. প্রহ্লাদা এন্দ ডব্লিয়ু. রামানন্দা ইলিট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি তোঙান তোঙানবা প্লে গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচশিংদা চেম্প খাগেমপল্লিনা পি.টি.সি.সি. পাৎশোইবু ৱিকেট ৫ দা অমসুং সাইক্লোন থাংমৈবন্দ রেজ খ্বাই নাগামপালবু ৱিকেট মরিদা থোইখ্রে।

------